# কোসোভোদা নাটোগী ট্রুপশিংগা সর্ব প্রোটেষ্টরশিংগা খুৎ থোক্লবদা মীওই ৯০ হেন্না শোক্লে



**বেলগ্রেদ, মে ৩০ (এজেন্সী):**

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কোসোভোগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা জাবেকান ম্যুনিসিপালিটি বিল্ডিং মমাঙদা নাটোগী কোসোভো ফোর্স (কে এফ ও আর) অমসুং সর্ব প্রোটেষ্টরশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবদা মীচম ৫০ অমসুং মিলিটরি এল্লায়ন্স অসিগী লান্মী ৪০ হেন্না অশোক অপন নঙখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি নিংথৌকাবা নুমিত্তা কে এফ ও আরগী য়ুনিটশিংনা সর্ব প্রোটেষ্টর কাঙবু অমা তানখায়নবা হোৎনখি। মদু কোসোভো পুলিসনা সর্বশিংনা মেজোরিটি ওইবা অৱাং থংবা লমদমগী জাবেকান অমসুং অতৈ ম্যুনিসিপালিটি অনীদা লৈবা এদমিনিষ্ট্রেটিব বিল্ডিংশিং কন্ট্রোল তৌশিনখিবা মতুংদা থোরকখিবনি।

কে এফ ও আরগী মেম্বর নত্তবা আর ও এস (রিজনেল ওপরেসন সপোর্ট য়ুনিট ওফ কোসোভো পুলিস) কী মেম্বর অমনা সর্বশিংগী মায়কৈদা নোংমৈ মরু কয়া কাপশিনবদগী লোকেল সর্ব দ্রাজিসা গালজাক হায়বা মীওই অসিদা নোংমৈ মরু অনী পানখি। সর্বশিংনা নুঙ লংদুনা অমদি অতৈ অতৈ পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা মদুগী পাউখুম পীখি হায়না সর্বিয়ন প্রসিদেন্ট অলেকসান্দরনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা অখন্নবা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা থোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা ভাইওলেন্স অদুদা অশোক অপন নঙখিবশিংগী মনুংদা ইটালি অমসুং হঙ্গেরিদগী পিছকিপ্পরশিং য়াওখি অমসুং মখোয়গী মনুংদা অহুমগী ফিভম লুনা লৈ হায়না নাটোনা ফোঙদোকখ্রে।

এটেকশিং অদুগা মরী লৈননা মীওই মঙাসু ফাগৎখ্রে। নাটোনা এটেকশিং অদু য়াম্না চুমদবা য়ানিংঙাই ওইদবা থৌওংশিংনি হায়রদুনা মিলিটরি এল্লায়ন্স অসিনা সাইদ খুদিংমক্তা মখা তানা উংখৎনবা হেনগৎহনগদবা থবক থৌওং অমত্তা চৎথদনবা অমদি ৱারী শান্ননবা আপিল তৌখ্রে।

হন্দক্কী ইরাং অদু কোসোভোগী অপুনবা মীশিং মিলিয়ন ১.৮ কী মনুংদা চাদা ৫ রোম ওইরিবা কোসোভো সর্বশিংনা মখোয়না মেজোরিটি ওইবা অৱাং থংবা ম্যুনিসিপালিটি মরিগী এপ্রিল ২৩ দা পাঙথোকখিবা লোকেল ইলেক্সনশিং বোয়কোট তৌবদগী থোক্লকখিবনি।

মসিনা ইথনিক অলবেনিয়নশিংবু কাউন্সিলশিং কন্ট্রোল তৌবা য়াহনখি। সর্বিয়ানা মীখল বোয়কোট শৌগৎপদগী মীখলদা ভোট থাদনবগী চাং চাদা ৩.৪৭ দমক ওইখি। বোয়কোট অদু সর্ব কম্ম্যুনিটিনা সর্ব ম্যুনিসিপালিটিগী ওইবা এসোসিএসন অমা লিংনবা দিমান্দ তৌরদুনা মীখল অদুবু বোয়কোট তৌখিবনি। কোসোভোদা ইথনিক ভাইওলেন্স কনখৎলকপদগী সর্বিয়ানা লৈবাক অসিগী আর্মদ ফোর্সেস লানগীদমক্তা শেম শাবগী ফিভমদা লৈহনবগা লোয়ননা বোর্দর এরিয়াশিংদা মসিগী ফোর্সশিং থাজিনখি।

ইয়ু অমসুং য়ুএস অনীমক্না কোসোভান ওথোরিটিশিংবু নোর্থ কোসোভোদা অরুবা ফিভম লাকহনবগীদমক ক্রিটিসাইজ তৌখি অমসুং মফম অদুদা কাঙলূপকী উংখৎনবা হেনগৎহনগদবা থবক নত্তগা খোঙথাংশিং লৌখৎপগী মায়োক্তা ৱার্নিং তৌখি। মতম শাংনা সর্ব অমসুং মরু ওইনা অলবেনিয়নশিংগী মরক্তা মরী ফরকখিদ্রবা মতুং কুমজা ২০০৮ গী ফেব্রুৱারীদা কোসোভোনা সর্বিয়াদগী নিংতম্লে হায়না লাউথোকচখিবনি।

# মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী অকায়বা বৃটিস জহাজশিং লূট তৌখিবা চাইনাগী জহাজ মালেসিয়ানা দিটেন তৌখ্রে

**কুলালম্পুর, মে ৩০ (এজেন্সী):**

মালেসিয়ানা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা কায়খিবা বৃটিস জহাজ অনী লূট তৌখিবনি হায়না চিংনবা চাইনিজ-রেজিষ্টর্দ ভেসেল অমা দিটেন তৌখ্রে।

অচৌবা করিয়র অদু সাউথ চাইনা সীগী সাইদ অমদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা খামজিনবদগী নোংমাইজিং নুমিত্তা ফাজিনখিবনি। চহী ৮০ হেনবগী মমাঙদা জপানিস ফোর্সশিংনা এটেক তৌদুনা ঈশিং মনুংদা লূপহনখিবা ঐচ এম এস প্রিন্স ওফ ৱেলস অমসুং ঐচ এম এস রিপল কৌবা বৃটিস জহাজ অনীসিগীনি হায়না থাজবা এম্যুনিসন চাইনিজ ভেসেল অদুদা য়াওরম্বা থেংনখি।

য়ুকেগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা মমাঙদা রেইদ অদুবু সমুদ্রদা লৈবা ৱার গ্রেভশিংবু ভাইওলেট তৌবগী থৌওং অমনি হায়রদুনা কন্দেম তৌখি। মমাঙৈদা কায়খিবা জহাজ কয়া স্কাভেঞ্চরশিংনা টার্গেট তৌরিবসি রিয়র লো-বেকগ্রাউন্দ ষ্টিল লৌনবগীদমক্তনি। অসিগুম্বা ষ্টিল অসি প্লি-ৱার ষ্টিল হায়নসু খঙনৈ।

ষ্টিল অদুগী লো রেদিএসনগী ফিভম অদুনা মদুবু অতাংবা পোৎশক অমা ওইহনবগা লোয়ননা মেদিকেল অমসুং সাইন্টিফিক ইক্বিপমেন্টদা শীজিন্নবা য়াবা য়াম্না মমল ৱাংবা রিছোর্স ওইহল্লি।



মালেসিয়াগী নোংপোক থংবা সমুদ্র মপানদগী কিমি ১০০ রোম লাপ্পা সমুদ্রগী খোঙনুংদা লৈরিবা বৃটিস ভেসেলশিং অদু চহী কয়া লিশাং শিৎনা টার্গেট তৌদুনা লাকখি। রোয়েল নেভিগী লানগী জহাজশিং অদু লান মনুংদা মালায়াগী ঙাকশেলগী থৌরাং হেন্না ফগৎহন্ননবা সিঙ্গাপোরদা থাখিবনি।

জহাজশিং অদু কুমজা ১৯৪১ গী দিসেম্বর ১০ দা জপানিস টোর্পিদোশিংনা থুগায়দুনা ঈশিং মনুংদা লূপহনখি। পর্ল হার্বরদা লৈবা য়ুএস ফ্লিটতা এটেক তৌরবা মতুং নুমিৎ হুম্নি লৈরগা চথখিবা ষ্ট্রাইক অদুদা হিরোই ৮৪২ রোম শিখি। মদু বৃটিস নেভিগী পুৱারীদা খ্বাইদগী শাথিবা দিজাষ্টরশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনৈ।

ঙামীশিং অমসুং দাইভরশিংনা হৌখিবা থাদা অহানবা ওইনা মালেসিয়ন ওথোরিটিশিংদা ফোরেন ভেসেল অদু থেংনবগী পাউ পীখি। লোকেল মেরিটাইম পুলিসনা চাইনিজ জহাজ অদু হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা দিটেন তৌখিবনি। মালেসিয়ন মেরিটাইম এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিগী মতুং ইন্না ফুঝৌদা রেজিষ্টর তৌবা জহাজ অদুগী ক্রু ৩২নি।

# সুদানগী লান শোক্লরিবা পার্টিশিংনা নুমিৎ মঙানি সিজফায়র শাংদোকহনবদা য়ানখ্রে

**খার্তুম, মে ৩০ (এজেন্সী):**

সুদানিষ্ট আর্মি অমসুং পেরা মিলিটরি রেপিদ সপোর্ট ফোর্সেস (আর এস এফ) না মে ২০ দা খুৎয়েক পীনখিবা সিজফায়র এগ্রিমেন্ট অমা মখা তানা নুমিৎ মঙানি শাংদোকহনবগী ৱাফম লান শোক্লরিবা সাইদ অনীমক্না য়ানখ্রে। অফ্রিকন য়ুনিয়ন (এ য়ু) য়াওনা মরী লৈনবা পার্টিশিংনা মতম শাংলক্লবা কনফ্লিক্ট অদুবু লোইশিন্নবা রোদমেপ অমা পুথোক্লবা হোৎনরকপগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লাকপনি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি নাকল অনীনা লান শোক্লরিবা মফমশিংগী সিভিলিয়নশিংবু অশোয় অঙাম থোকহন্দনা চখোক চৎশিন তৌবা য়াহনবগা লোয়ননা সিভিলিয়ন সপ্লাই প্রোটেক্সন পীগনি হায়বা কম্মিটমেন্ট অমুক হন্না ঙাক্ননবা ৱারেপ লৌখ্রবসু সিজফায়র মতম মনুংদুদা ট্রুস অদুবু তোইনা ভাইওলেট তৌখি।

মদুনা হ্যুমেনিটরিয়ন থবকশিংদা চাওনা অকায়বা পীবগা লোয়ননা লমদম অদুদা তশেংনা তংদু লৈতাবা ফিভম হঞ্জিলহনবদসু চাওনা খুরৌথাংহনখি। সোর্ট-টাইম সিজ ফায়র অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ন এরেঞ্জমেন্টশিংগী এগ্রিমেন্ট অদু সুদানগী কনফ্লিক্ট অদুবু লোইশিন্নবা অমদি মীচমশিংদা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং পীবদা খুদোংচাহন্নবা সাউদি-য়ুএস ইনিসিএটিব অমগী মখাদা মে ৯ দা জেদাদা হৌখিবা নিগোসিএসনগী খূত্থাংদা পুরকখিবনি।



মে ২২ দগী চৎনবা হৌখিবা নুমিৎ তরেৎনিগী ট্রুস অদু নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৯.৪৫ দা মতম লোইগদবনি। এগ্রিমেন্ট অদু চৎনবা হৌরবা মতুং মতম ইশাং শাংনা কান্নদনা আর্মি অমসুং আর এস এফকী মরক্তা মফম খরদা মরক মরক্তা খুৎ থোক্লরকখি।

হৌখিবা চয়োলদা সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ুএসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা সিজ ফায়র মোনিটরিং মেকানিজমনা এগ্রিমেন্ট অদু খোঙ্গাওনবগী অরুবা ফিভম কয়া থেংনরে হায়না ফোঙদোকখি। মরী লৈনবা পার্টিশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ট্রুস অদুবু শাংদোকহন্নবা হোৎনরকপগা ইরোয়ননা সুদানগী কেপিটেল খার্তুমদা নাকল অনীগী মরক্তা অমুক কন্না খুৎ থোক্লরকপা হৌখি।

# লাহোর কোর কম্মান্দরগী য়ুমদা এটেক তৌখিবগা মরী লৈননা ইমরান খান কৌখৎখ্রে

**লাহোর, মে ৩০ (এজেন্সী):**

থা অসিগী ৯ দা লাহোর কোর কম্মান্দর হাউস নত্ত্রগা জিনা হাউসতা চথখিবা এটেক্কী মরমদা থীজিল্লিবা জোইন্ট ইনভেষ্টিগেসন টিম (জে আই টি) না পাকিস্তান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) গী চিয়ারমেন ইমরান খান লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাক্লবা খঙহনখ্রে।

দোনগী রিপোর্টনা হায়রিবদি হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর খান কিলার গুজার পুলিস হেদ ক্বার্টর্সতা লৈবা জে আই টিদা নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা লাক্লনবা খঙহনখি। মহাক এটেক অদুগী মায়োক্তা সরৱার রোদ পুলিস ষ্টেসনদা রেজিষ্টর তৌখিবা কেস অমগা মরী লৈননা ৱাহং পাউহং তৌননবগীদমক্তা কৌখিবনি।

হান্নগী প্রিমিয়র অসি মহাক্না জেলদা লৈরিঙৈদা জিনা হাউসতা অমাঙ অতা কয়া থোকহনবগা লোয়ননা মদুবু মৈ থাখিবা এটেক্করশিং অদুবু পুক্লিং থৌগৎখি হায়বগী মরালগা লোয়ননা কেস অদুদা নোমিনেট তৌখিবনি।

জে আই টি অদুবু লুচিংলিবা লাহোর দি আই জি (ইনভেষ্টিগেসন) কমরাল অদিলনা ইস্যু তৌবা সমন নোটিস অদুনা হায়রিবদি ইমরান খান পঞ্জাব গভর্ণমেন্টনা শেম্বা জে টি আইদা শিন্নখিবা ইনভেষ্টিগেসন প্রোসিদিংসতা য়াওননবা দি আই জি ইনভেষ্টিগেসনগী ওফিসতা লাকপা মথৌ তাই।

পি টি আইগী চীফ অসি ৱাহং পাউহং তৌনবা কৌখৎখ্রে হায়বসি লাহোর পুলিসকী চীফ বিলাল সিদিক কময়ানানা কনফার্ম তৌখি।

দোনগী রিপোর্টনা ওফিসল ছোর্স অমা পল্লদুনা হায়রিবদি হান্নগী পিএম অসি এটেক অদুদা মহাক কদায় ফাওবগী চাংদা চেন্নখিবগে হায়বদু লেপথোক্লনবা ৱাহং পাউহং তৌগনি।

পি টি আইগী অতৈ সিনিয়র লিদরশিং অমসুং এক্তিভিষ্ট কয়াসু এফ আই আর অদুদা মমিং পল্লি হায়না ওফিসর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# নোর্থ কোরিয়াগী অহানবা মিলিটরি সেটলাইট জুন থাদা লোঞ্চ তৌরগনি

**সিওল, মে ৩০ (এজেন্সী):**

নোর্থ কোরিয়ানা য়ুএস মিলিটরি এক্তিভিটিশিং মোনিটর তৌননবগীদমক্তা মসিগী অহানবা মিলিটরি রিকোনিসন্স সেটলাইট লাক্লিবা জুনদা লোঞ্চ তৌরগনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ষ্টেট মেদিয়া কে সি এন এগী রিপোর্টনা হায়রি।

কে সি এন এ ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমদা রুল্লিং ৱার্কর্স পার্টিগী সেন্ট্রেল মিলিটরি কম্মিসনগী ভাইস চিয়ারমেন রি পিওং চোলনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী জোইন্ট মিলিটরি এক্সর্সাইজশিং অকন অরিং শিংনবগী পান্দমগা লোয়ননা চথবা হালেংবা লৈতবা থৌওংনি হায়রদুনা কন্দেম তৌখি।

য়ুএস অমসুং সাউথ কোরিয়ন ফোর্সনা হৌখিবা থা খরা অসিদা মমাঙগী চয়োলদা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী চাওবা জোইন্ট লাইভ ফায়র এক্সর্সাইজশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা ট্রেনিং এক্সর্সাইজশিং পাঙথোকখিবনি।

কোভিদ ১৯ গী অথিংবশিং অমসুং নোর্থ কোরিয়াগা দিপ্লোমেটিক মরী ফগৎহন্নবগী ৱাখলগা লোয়ননা ড্রিল কয়া হান্নদগী হেন্না পীকশিন্না পাঙথোরকখিবা মতুং হন্দক্তা নাকল অনীগী জোইন্ট এক্সর্সাইজশিং খরা চাওনা পাঙথোকখিবনি।

নোর্থ কোরিয়াগী লিনা হায়রিবদি জোইন্ট ড্রিলশিং অদুনা মরম ওইদুনা পিওংয়াংনা রিয়েল-টাইমদা য়েক্লবগী মিলিটরি এক্টশিংগী ইনফোর্মেসন লৌনবগী পাম্বৈশিং লৈহনবা মথৌ তারকই। ঐখোয়না হৌজিক্কী অমসুং তুংগী থ্রেটশিং কুপ্পা খন্নবগা লোয়ননা পুম্নমক য়াওরবা প্রেক্তিকেল ওইবা ৱার দিটরেন্সশিং হেন্না ফগৎহন্নবগী মপুং ফারবা থৌরাংশিং লৌখৎলক্লিবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।



ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈরবা নোর্থ কোরিয়ানা মমাঙদা লৈবাক অসি মসিগী অহানবা মিলিটরি স্পাইস সেটলাইট শেম শাবগী থবক মপুং ফানা লোইশিল্লে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী লূচিংবা কিম জোং-উননা লোঞ্চ অদু পাঙথোক্লবগী অরোইবা প্রিপরেসনশিং এপ্রুভ তৌখ্রবনি।

রিগী ষ্টেটমেন্ট অদুদা সেটলাইট অদুবু থাগৎপগী চপ চাবা তারিখ পন্দ্রবসু নোর্থ কোরিয়ানা জপানদা মদু মে ৩১ অমসুং জুন ১১ গী মরক্তা থাগৎনবা থৌরাং তৌরি হায়না খঙহনবদগী টোকিওনা মসিগী বেলেষ্টিক মিসাইল দিফেন্সশিং মীকুপ নাহুমশিংনা লৈহনখিবনি। জপাননা লৈবাক অসিগী লমদা কিহল্লকপা প্রোজেক্টাইল খুদিংমক কাপথগনি হায়নসু লাউথোকখ্রে।

# হৌথিশিংনা সাউদি বোর্দর গার্দশিংবু য়েমেনি ২ হাৎপগী মরাল শীখ্রে

**সানা, মে ৩০ (এজেন্সী):**

রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা য়েমেনগী সাদা প্রোভিন্সতা য়েমেনি সিটিজন অনী নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎপগা লোয়ননা অফ্রিকান মাইগ্রেন্ট অনী অশোক অপন নঙহনখি হায়না হৌথি রেবেলশিংনা সাউদি বোর্দর ফোর্সশিংবু মরাল শীখ্রে।

হৌথিশিংনা কন্ট্রোল তৌবা অল-মাসিরা টিভিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি থৌদোক অদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা সাউদি আর্টিল্লেরিনা সাদা দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদা সেল কাপশিনবদগী থোক্লকখিবনি। হৌথি গ্রুপশিংনা বোর্দর রিজনশিংদা সাউদি ফোর্সশিংনা এটেক কয়া চথরিবদু কন্দেম তৌই হায়নসু গ্রুপ অসিনা ফোঙদোকখি।

য়েমেনগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা সাদা প্রোভিন্স অসি অৱাং অমসুং অৱাং নোংচুপলোমদা সাউদি অরাবিয়াগা বোর্দর লোন্নৈ। মসি য়েমেনগী খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা প্রোভিন্সনি অমসুং মসি হৌথি গ্রুপকী ষ্ট্রোং হোল্ড অমসু ওইরিবনি। য়েমেনগী অৱাং থংবা বোর্দর এরিয়াশিং হেন্না ফবা খুদোংচাবশিং থীরিবা অফ্রিকানশিং অমসুং য়েমেনিশিংনা লোনা য়াদবা মওংদা মাইগ্রেসন তৌবা অমদি স্মগ্লিংগী থবকশিংগা মরী লৈননা মমিং চৎপা মফমশিং ওইরকখি।

হৌথিশিংনা মালেমনা শকখঙবা য়েমেনি গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা লান কন্না চথরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা কুমজা ২০১৪ দগী শাথিরবা সিভিল ৱার অমা থোক্তুনা লাক্লি। কুমজা ২০১৫ দা সাউদি অরাবিয়ানা লূচিংবা কোল্লিসন্না য়েমেনি গভর্ণমেন্টবু শৌগত্তুনা কনফ্লিক্ট অদুদা য়াওশিনখিবনি।

# ফ্লোরিদাগী ব্রোদৱাল্কতা পাক্তক্লনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ৯ শোক্লে

**ময়ামি, মে ৩০ (এজেন্সী):**

ফ্লোরিদাদা লৈবা হোলিৱুদ ব্রোদৱাল্কতা মীয়ামদা পাক্তক্লনা টার্গেট তৌদুনা চথখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা চহী নৌরিবশিং য়াওনা মীওই মাপন শোক্লে হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

মাস সুটিংগী থৌদোক অদু নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা এন ব্রোদৱাল্ককী ১২০০ ব্লোক্তা থোকখিবনি। মফম অদুগী হোস্পিটালশিংদা পুখৎখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুগী ভিক্তিমশিংগী মনুংদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুমদি চহী নৌরিবশিংনি। নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৪১ তাবা মতমদা এরিয়া অদুগী লাইভ কেমেরা অমনা মীপায়রবা মীয়াম্না মফম অদুদগী মথোং মরম খঙদনা চেন্থোক্লবগী শক্তম উৎখি। হোলিৱুদকী ওফিসলশিং পল্লদুনা মেদিয়া আউটলেট সি বি এসকী রিপোর্টনা হায়রিবদি অহানবদা মীওই কাঙবু অনীগী মরক্তা খৎন চৈনবা তৌবদগী মমৈথংদা মদু নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অমা ওইরকখি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা চিংনবা মীওই অমা দিটেন তৌবগা লোয়ননা অনীশুবা মীওই অমসু ফাননবা কোইথি থিরি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুগী ভিক্তিমশিং অদুগী ফিভম চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

হোলিৱুদকী মেয়র জোস লেভিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রিবদি মসিগী নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুগী ভিক্তিমশিংবু মতেং পাঙননবা খুদক্তা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎখিবা মীওইশিং, পেরা মেদিকশিং, পুলিস অমসুং ইন্মজেন্সি রুমগী ডাক্তরশিং অমদি নর্সশিংবু মহাক্না থাগৎলি।

# য়ুনানদা লৈবা মোস্ক অমা কন্নবা হোৎনরিবা চাইনিজ মুস্লিম প্রোটেষ্টরশিংগা পুলিসকা খুৎ থোক্লখ্রে

**সিঙ্গাপোর, মে ৩০ (এজেন্সী):**

চাইনাগী মুস্লিমশিংনা নম্না লৈবা য়ুনানগী টাউন অমদা লৈবা মোস্ক অমগী দুম থুগায়নবগী থৌরাংগা মরী লৈননা প্রোটেষ্টরশিংনা মশিং য়াম্লবা পুলিস পর্সনেলশিংগা খুৎ থোক্লখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

সোসল মেদিয়া ভিদিওশিংদা থাংজ নুমিত্তা নাবু টাউনদা লৈবা ১৩ শুবা চহী চাগী নাজিয়ায়িং মোস্ককী মপানদা মীয়াম্না পুল্লপ পুল্লপ তাশিল্লগা তিনবগী শক্তমশিং উবা ফঙখি।

বি বি সিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি পুলিস অমদি লোকেলশিংগী মরক্তা মুক্লরকখি। লোকেলশিং অদু খুৎলায় পায়বা চা কয়ানা শেন্নদুনা লৈরকখিবনি। চাইনাগী খা থংবা লমদমদা লৈবা মীওই কাঙলূপ কয়ানা খুন্দাবা প্রোভিন্স অমা ওইরিবা য়ুনানদা মুস্লিম মশিং য়াম্না লৈ। নাগুদা নাজিইং মোস্ক অসি মরু ওইবা লেন্দমার্ক অমা ওইরকপগা লোয়ননা হৌখিবা চহী খরা অসিদা অনৌবা রুপকী দুম অমা হাপচিনবগা লোয়ননা মিনরেট কয়াসু হাপচিন্দুনা হেন্না চাওথোকহনখিবনি।



কুমজা ২০২০ দা কোর্ট অমনা পীখিবা জজমেন্টদা হান্নগী মোস্ক অদুদা হাপচিল্লক্লিবশিং অদু ইল্লিগেল ওই হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা মখোয়বু লৌথোক্লনবা ওর্দর তৌখি। হন্দক্তা ওর্দর অদুবু থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরকপদগী লোকেলশিংনা ওথোরিটিশিংগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট চথরকখিবনি হায়রি।

থাংজ নুমিত্তা চথখিবা প্রোটেষ্টশিং অদুগী ভিদিওশিংদা টুরিষ্ট পরেং পরেংশিংনা মোস্ক অদুদা চঙলকপশিংবু থিংবা অমসুং মীওই কাঙবু অমনা পুলিসতা নুংনা থাজিনবগা লোয়ননা নম্ফুদা চঙননবা হোৎনবগী শক্তমশিং উখি। অতৈ ক্লিপশিংদা মতুং তাবদা মীয়াম্না নাজি মোস্কতা নমদুনা চঙশিন্নখিবগা লোয়ননা পুলিসনা মতুং তাবদা মফম অদুদগী হন্দোকপগী শক্তমশিং উখি। নাগু লৈরিবা দোঙ্গাই কাউন্টিগী পুলিসশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমা ইস্যু তৌদুনা প্রোটেষ্টরশিংদা জুন ৬ ফাওবগী মনুংদা সরেন্দর তৌননবা খঙহনখি। হৌজিক ফাওবদা মীওই দজন কয়া ফাগৎখ্রে হায়রি।

নোটিস অদুগী মতুং ইন্না মশা মশানা পুলিসতা সরেন্দর তৌদুনা মখোয়না চথখিবা ভাইওলেন্সশিং অদুগী ফেক্টশিং চুম্না ফোঙদোকচবশিং অদুদি হন্থবা মখলগী পনিসমেন্ট পীবা য়াই।

থৌদোক অদু সোসল মেনেজমেন্ট ওর্দরদা অকায়বা পীনবা হোৎনরকপা শাথিবা থৌওংনি হায়রদুনা ওথোরিটিশিংনা প্রোটেষ্টরশিংগী থবক থৌওংশিং রিপোর্ট তৌরক্লবসু মরী লৈনবা পুম্নমক্তা খঙহনখি।

# সিদনিদা দোল্লর মিলিয়ন ৯.২গী দ্রগশিং ফাখ্রে, নুপা ১ চার্জ তৌখ্রে

**সিদনি, মে ৩০ (এজেন্সী):**



সিদনিদা ওষ্ট্রেলিয়ন দোল্লর মিলিয়ন ১৪ (য়ুএস দোল্লর মিলিয়ন ৯.২) গী ওইগদবা দ্রগশিং ফাবগা লোয়ননা নার্কোটিক্স সপ্লাই অমসুং মনি লোন্দরিংগী ওফেন্সশিংগা মরী লৈননা নুপা অমা চার্জ তৌরে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী ন্যু সাউথ ৱেলস (এন এস দব্লিয়ু) ষ্টেটকী পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

এন এস দব্লিয়ু পুলিস ফোর্সনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.১৫ রোম তাবদা দিক্টেটিবশিংনা লিকোম্বীগী জোন ষ্ট্রিটকী য়ুনিট অমদা ছর্স ৱারেন্ট অমা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনখি।

মফম অদুদা থী হুম্বদা মখোয়না হেরোইন কেজি ১২, এম দি এম এ কেজি ১৬ অমসুং কোকেন গ্রাম ৫০০ থেংনখি। পুলিসনা মফম অদুদা হাইড্রোলিক প্রেস অমা, সেফ অহুম, মনি কাউন্টরশিংগুম্বা অথিংবা থন্বা দ্রগশিং সপ্লাই তৌবা, পেক্কিং তৌবা অমদি থন্বদা শীজিন্নবা য়াবা আইটেমশিং অমদি মোবাইল ফোনশিংসু থেংনখি।

পোৎলমশিং অদু মখা তাবা ফোরেন্সিক একজামিনেসন চথরগনি। প্রেষ্টনগী মোলিসে ষ্ট্রিটতা লৈবা প্রোপর্টি অমদা অতোপ্পা ছর্স ৱারেন্ট অমা পাঙথোক্লবা হোৎনখিবা মতমদা মশাগী চহী ৩৩ শুরবা নুপা অমা ফাখিবগা লোয়ননা মহাক মতুং তাবদা পুলিস ষ্টেসন অমদা পুখি। মীওই অদুবু অথিংবা থন্বা দ্রগশিং অচৌবা কর্ম্মসিএল ক্বান্টিটিদা সপ্লাই তৌনবা হোৎনবগা লোয়ননা ক্রাইম অদুদা ফংলকপা শেনফমশিং অদুগী দিল্লিং চথরম্বগী মরালশিং শীখি।

নুপা অদুনা থারকখিবা বেল এপ্লিকেসন কোর্টনা য়াখিদবগা লোয়ননা মহাক লোকেল কোর্ট অমদা অমুক পুথোক্লগনি হায়রি।

# ইরানদা চহী ৫০ চুপ্পা অথিংবা থন্বগী ৱারেপ য়ুক্রেনগী পার্লিয়ামেন্টনা শৌগৎখ্রে

**কিভ, মে ৩০ (এজেন্সী):**

ইরানদা অথিংবা কয়া চহী ৫০ চুপ্পা থম্নবা নেসনেল সেক্যুরিটি এন্দ দিফেন্স কাউন্সিল (এন এস দি সি) না লৌখিবা ৱারেপ অমা য়ুক্রেনিয়ন পার্লিয়ামেন্টনা শৌগৎলে হায়না লো মেক্কর ওলেক্সি হোঞ্চারেঙ্কোনা টেলেগ্রামগী খূত্থাংদা ফোঙদোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা পার্লিয়ামেন্টতা সম্মিট তৌখিবা সেঙ্কসন দিল অদুবু ভোট লৌনবদা মেম্বর ৩২৮ না শৌগত্তুনা ভোট পীখি।

মিনিমম ভোট মশিং ২২৬ মথৌ তাবদা দিল অদুবু ভোট ৩২৮ না শৌগৎখিবনি। মিলিটরি ইক্বিপমেন্ট অমসুং অনী থোক্না শীজিন্নবা য়াবা পোৎলমশিং লৈনা য়োন্নবদা মপুং ফানা অথিংবা থন্বসু য়াওনা ইরানগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থন্বগী থৌরাং লৌখৎপগী ৱারেপ অদু এন এস দি সিনা থা অসিগী ২৭ তা এপ্রুভ তৌখি।

সেঙ্কসনশিং অদুদা ইরানিয়ন রেসিদেন্টশিংনা য়ুক্রেন ফাওরগা রিছোর্সশিং পুথোক পুশিন তৌবা, ফ্লাইটশিংদা তোংবা অমদি ট্রান্সপোর্টেসননচিংবশিংসু য়াওরি।

মসিদা নত্তনা ইরানিয়ন রেসিদেন্টশিংগী ফেবরদা শেল থুমগী ওইবা থবক থৌরম খরা পাঙথোকপদসু অথিংবা থন্বা অমদি ইরানিয়ন রেসিদেন্টশিংদা টেক্নোলোজিশিং ট্রান্সফর তৌবদা অথিংবা থন্বসু সেঙ্কসন লিষ্ট অদুদা য়াওরি।

থা অসিগী অঙনবদা প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখিবদা ইরাননা রসিয়াদা লানগী দ্রোনশিং সেটলাইট তৌশিন্দুনা খুৎলায়শিং অদু য়ুক্রেনদা এটেক তৌবদা শীজিন্নরকখি হায়না পনখিবনি।

# বুলগেরিয়াগী প্রসিদেন্টনা কোল্লিসনদা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবা খঙহনখ্রে

**সোফিয়া, মে ৩০ (এজেন্সী):**

বুলগেরিয়াগী প্রসিদেন্ট রুমেন রাদেবনা পার্লিয়ামেন্টদা লৈবাকসিগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা ফোর্স ওইরিবা ৱি কন্টিন্যু দ চেঞ্জ-দেমোক্রেটিক বুলগেরিয়া (পি পি-দি বি) কোল্লিসনদা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবা খঙহনখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি প্রসিদেন্ট রাদেবনা পিপি-দিবিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী মমিং নিকোলাই দেনকোপতা এক্সপ্লোরেটরি মেন্দেট অদু শীন্নখি। মেম্বর ২৪০ লৈবা পার্লিয়ামেন্টতা সিট ৬৪ পায়রিবা কোল্লিসনগী লুচিংবা দেনকোবনা হায়খি, মদুদি লাক্লিবা নুমিৎ খরা অসিদা রেগ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বা ঙম্নবা ঐখোয়না অতৈ পার্লিয়ামেন্টরি ফোর্সশিংগা নিগোসিএসন চথরগনি। ঐখোয়না অসুম্না থম্মোয় শেংনা হোৎনরক্কদৌরিবা অসি মরী লৈনবশিংনা শোয়দনা শৌগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা ঐঙোন্দা লৈ হায়না দেনকোবনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট রাদেবনা গভর্ণমেন্ট শেম্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা দেনকোবনা নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা গভর্ণমেন্ট অমা প্রপোজ তৌগদবনি। মদু সিম্পল মেজোরিটি ভোটকী খূত্থাংদা পার্লিয়ামেন্টকী বেক্কিং মথৌ তাগনি। রাদেবনা অহানবদা মে ১৫ দা পার্লিয়ামেন্টকী সিট ৬৯ পায়রিবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা পোলিটিকেল ফোর্স ওইরিবা জি আর বি-য়ু দি এফ কোল্লিসনদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বগী থবক শীন্নখিবদা কোল্লিসন অসিনা পার্লিয়ামেন্টরি মেজোরিটি ফঙবা ঙমখিদবনি। করিগুম্বা পি পি-দিবিনসু গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বা ঙমদবা তারবদি প্রসিদেন্টনা গভর্ণমেন্ট শেম্বগী থবক অদু মাইনর পার্লিয়ামেন্টরি গ্রুপ মরিগী মনুংদা অমদা শীন্নগনি। করিগুম্বা এগ্রিমেন্ট অমত্তা পুরকপা ঙমদ্রবদি প্রসিদেন্টনা অনৌবা পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সন পাঙথোকহনগনি।